হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ১০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩০৪ শুবা মশীং

# লুহোংবদা বম্থুলা থাবা

## মীতোপকী ওইরবসু অফবা মতৌদি তমসি

*মালেমগী* তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎনরিবা লাইনিং লম্বী খুদিংমক্কী নৎত্রগা কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমক্কী লুহোংবগী থৌরম অদুমক পাঙথোক্লে। খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগীসু চর্চতা নৎত্রগা মফম অমদা পাঙথোকপা থৌরমদা লুহোংদৌরিবা শাবী-শানৌগী খুৎতা খুদোপ শীবনা মপুং ওইবা থৌরম ওই। হিন্দু লাইনিং চৎপা কাঙবুগীসু ব্রাহ্মন অমনা শক-শোল্লগা মৈ পুজা কৎপা অমসুং লৈ পরেং হুক্রবনা লুহোংবগী মপুং ওইবা শক্তম ওই। ইস্লাম লাইনিং চৎপগীসু নিকা শোল্লগা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকই। অসুম্না বুদ্ধ লাইনিং চৎপা কাঙবুসু, জেন লাইনিং চৎপা কাঙবুসু মখোয়-মখোয়গী লাইনিং নাৎকী থৌরম পাঙথোক্লগা লুহোংবা চৎনৈ। শাবী-শানৌ লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকপা হায়বসিগী নুংগী ওইবা ৱাহয়েক্তি মখোয় অনী য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদারে হায়বা মীয়ামদা খঙহনবনি। মীয়াম খঙদনা লুহোংবা হায়বসি খুন্নাইনা য়াদবা মখলগী য়ুম্বাল লম্বীনি হায়না লৌনৈ। হৌজিক্কী মতমদদি ইচম চম্না মরী লৈনবা ওথোরিডিদা লুহোংবগী রেজিষ্টার তৌরগা লোইশিনবসু য়াওই। মসিনা লোগী ওইবা মওংদা কান্নবা লৈজরগসু মীয়াম খঙনা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাবগী চৈনবা অসিসু ছন্দোকপা য়াদনা চৎনবী অমনি। অদুবু হিন্দু মেরিয়েজ এক্ট অমসুং অতৈ তোঙান-তোঙানবা লাইনিংশিংগী লুহোংবগা মরী লৈনবা লৈবাক্কী ওইবা লো কয়ামরুমসু লৈ। অসিগুম্বা মখলগী লোশিং অসিসু লৈবাক অসিগী ৱায়েনশঙনা মশক খঙই। করিগুম্বা থৌদোক অমদগী শাবী-শানৌ অনীমক খাইনরকপা মতমদা কোর্টনা মতম অমদা হেক্তা ৱায়েনবা য়াই। হায়রিবা পরমশিং অসিগী ৱাংমদা লৈবাক্কী য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাবশিং মীয়াম্না ফজনা ঙাঙনদে। মরম অদুনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু পরম চম্না য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাহন্নবা শীনগদবনি। মসিনা মখোয়গী নৌরিবা পুন্সিবু অফবা লম্বীদা পুদুনা চৎপা ঙমগনি।

মণিপুরদসু তোঙান-তোঙানবা লাইনিং লম্বী চৎপা মীওই ফুরুপ কয়ামরুম লৈ। ফুরুপশিং অসিগী তোঙান-তোঙানবা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকপগী মওং লৈ। চাউখৎলকপগী মতুং ইয়া কাংলুপ অমগা অমগা লৌন-লৈনবদসু লুহোংবগী থৌরম অদুমক পাঙথোক্লে। করিগুম্বা মতমদা নুপী ময়ুমদা ইম্ফোরকপদগী নুপা ময়ুমনা শীল-লাংদুনা লুহোংবগী থৌরমসু পাঙথোক্লবা য়াওই। করিগুম্বদনা কৈন্যা কৎপা হায়দুনা শাবী-শানৌ অনী অদুগা মীওই খরখক তিল্লগা য়াম্না পীকপা থৌরম ওইনা পাঙথোকপগী চৎনবীসু লৈ। লাইনিং লম্বী মান্নদবগীসু অনীরক থোক্লা হায়বদি নুপাদুগী লাইনিংগীসু, নুপীদুগী লাইনিংগীসু অনীমক্তা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকই। অসুম্না মৈতৈ/মীতৈ খুন্নাইদা লুহোংবগী পরম অসি মতম মতমগী খোঙলৈ মতুং ইয়া তপ্না অহোংবা কয়ামরুম লাকপা উরে। ঙল্লিঙৈ মতমদদি লুহোংদৌরিবা নুপী অদুগী য়ুমদা মাইক পান্দুনা হয়েং লুহোংগনি হায়বগী নুমিদাংদা হরাউ-কুম্মৈ পাঙথোকপা চৎনরম্মী। লুহোংবগী থৌরমসু মাইক পানবা চৎনরম্মী। লুহোংবগী কুন্দো পরেং হুক্রবা মতমদুনা নুপী ময়ুমনা পীবা অউনপোৎশিং নুপা ময়ুমদা পুবগী চৎনবীসু লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি পুম্নমক অসি তোকখোক্লবগুম্বা অনৌবা মায়ওন অমদা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লরক্লে। হৈজিংপোৎ নুমিৎতা নুপীগী মমান্নবীশিং চাক পীজনবা লাংবা, লুহোংবা নুমিৎতা নুপাগী ময়ুমদা মমান্নবশিং চাক খাঙবনচিংবা চৎনবগী মথক্তা শানৈ-য়ুনৈবগী মওং অমসু তঙাইফদবা ওইনা পুশিল্লক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মীতোপকীবু ওইরবসু, অতোপ্পা লাইনিংগীবু ওইরবসু অফবা হায়বদুবমখৈদি মতৌ তম্নবা য়াই। মসি নত্তবদা ময়াংনা মরু ওইনা তৌনবা লুহোংবগী থৌরমদা বম্থুলা থাবা, মৈকাপ্পী কাপ্পনচিংবগী থৌওং অসি মৈতৈ খুন্নাইদা পুশিল্লক্লিবসি লুহোংবা থৌরমগী মচৎ কায়থরকপনি। মসিনা অমনা অমগী মতৌ তম্নবা হোৎনরকপদা খম থেংনা খুদোংচাদবা থোকহনবা ইমুং য়াওরক্কনি। হীরম খুদিংমক্তা মীপাল তাংলগা লৈরিবা খুন্নাই অসিনা কমদৌনা ঐখোয়গী পুক্কৈদগী শেল চৎহল্লোইদগে হায়বসি খন্থনরগা মপাল লমদা চৎখিগদবা বম্থুলা লৈবগী অচৌবা শেনফম কন্ননবা হোৎনবা হায়বসি লাইনিং লাইশোল য়োকখৎনবা লৈরিবা লূপশিংনা থৌদাং লৌফম থোকই হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## খাঙবোক হায়স্কুল হায়র সেকেন্দরি ওল্লে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা হায়স্কুল খরবু হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা অপগ্রেদেসন তৌবীবদা খাঙবোক হায়স্কুলবুসু য়াওহন্দুনা হায়র সেকেন্দরি ওনবীবগীদমক্তা লৈঙাকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মায়কৈ অসোমগী লৈত-লায়র মীচম মীয়াম্না হরাউবা-নুঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা স্কুলসিগী ষ্টাফনসু হরাউজে। খাঙবোক হায়স্কুলদা হৌজিক হৌজিক ক্লাস টেন তমদুনা মেত্রিক থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনসু অসুক্কী মতিক হরাউজে। হয়েং পাস তৌরগা মফম অসিদা অদুম মখা তমথবা ফংলগনি খঞ্জরিবা মহৈরোয়শিংগী মমা মপানসু অসুক্কী মতিক হরাউনৈ। লৈত-লায়রা ওইরুবনা লন্নাইগী স্কুলশিংদা তমহনবা ঙমজদবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। স্কুল অসিদা তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী মমা মপা কয়াগী অৱাবা পোৎলুম অমদি লৈঙাক্লো থাংথবিরে। অদুগা লুরিবা অমনা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদি মতিক চানা লৈত্রি। অথুবা মতমদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙবীদুনা ৱাৎলিবা খুদিংমক মেনশিনবীনবা হায়জরি। হৌজিক হৌজিক ক্লাস টুদগী টেন ফাওবদা মহৈরোয় ৬০০ তন্নিবনি।

খাঙবোক হায়স্কুলবু হায়র সেকেন্দরি স্কুল ওনখ্রে হায়বদা অতোপ্পা প্রাইভেট স্কুল খরনা ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবা ককখ্রগনি, লৈররোই হায়বা তোকঙা অমা শন্দোকপীরিবসি তাবদা নুঙাইতে। হৌজিক হৌজিক ককপগী ৱা লৈতে, ফোর্মদুম থাবা হৌরে, মীয়াম্না তোকঙা থাজবীগনু, খাঙবোক হায়স্কুলনা তরাম তরাম্না ওকচরি। লৈঙাক্কী স্কুল লৈত-লায়রগীনি। ফ্রি এদমিসন, ফ্রি টেক্সবুক, ফ্রি য়ুনিফোর্ম, ফ্রি মিদ-দে মিলনি পীজরিবা। খাঙবোক হায়স্কুলবু হায়র সেকেন্দরি ওনখিবদা অকায়বা করিসু লৈরোই। হান্নগী হান্না ক্লাস সিক্স টু আইট লৈরগদবনি। মসিনা হেন্না খুদোংচাবা ফংলগনি মহৈরোয়শিংদা।

অরোইবদা খাঙবোক স্কুল অসিগী ফেন্সিং অথুবা মতমদা খাবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জরি। অৱাৎপা খুদিংমকসু মেনশিনবীয়ু। খাঙবোক হায়স্কুলবু হায়র সেকেন্দরি ওল্লকপদা হরাউবা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১। ‘ৱাথোকচাও’ ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
২। ‘গুলাপ্পুগী মখোঙদা’ উপন্যাস অসি কনানা ইবনো?
৩। ‘ইমাগীদমক’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?
৪। ‘কমলাকান্তগী কোর্বেক’ হায়না বেঙ্গলীদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। ‘খাগী লৈবাক য়ুনান’ লমকোয়ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# জল্লিকতু ঃ ষণ তেহনবগী কুম্মৈরা নৎত্রগা ষণ লাক্লবগীরা?



জল্লিকতু কুম্মৈগী তোঙান তোঙানবা শক্তমশিং

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

*টামিল* নাদু ষ্টেট অসি হৌখিবা থা খরসিদা ঈ-পাউগী লমদা য়াওরকপা মীয়াম্না থেংনখি। খরদং পল্লবদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ লাকখিবদগী অমাং-অতা থোকখিবা, চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতা লৈখিদবা অমদি ষণ ফাবগী কুম্মৈ ‘জল্লিকতু’ পাঙথোকপা য়াগনি-য়ারোই হায়বগী ৱাথোক কয়া অসি পনবা য়াই। থোকখিবা থৌদোক অদুদগী অমখক্তং লৌখৎপা তারবদি জল্লিকতু হায়রিবা অসিনি।

জল্লিকতু হায়রিবা কুম্মৈ অসি টামিলশিংনা য়াম্না পাম্না পাঙথোকপা অচৌবা কুম্মৈ অমনি। মসি নুপা থোকপা, অকল অথৌ উৎপগী কুম্মৈ অমনি। মসি অতৈ করিসু নত্তে, ষণ ফাবা ঙম্বগী অকল-অথৌ উৎপা কুম্মৈ অমনি। মঙাউ থিবা ষণ অমা কা অমদগী মীয়াম মরক্তা থাদোরকপনি। মদুদা মশা-মউ ফবা, মথৌনা লৈ হায়না খঞ্জবা নুপাশিংনা ষণ অদুবু ফানবা হোৎনবনি। ষণ অদু ফাবা হায়রিবসিসু থৌরিনা নৎত্রগা অতোপ্পা খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা ফাগদবা নত্তে। মঙাউ থিবা ষণ অদুগী অচৌবা মরুম অদুদা য়ান্দুনা ফাবা ঙম্নবা হোৎনবনি। ফাবামক ঙমদ্রবসু মরুম অদুদা য়ান্দুনা মতম কুইনা ফাবা ঙম্নবা হোৎনবসিসু মওং অমনি। শম্না হায়রবদা মঙাউ থিবা ষণ অদু মীয়ামদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিদনবা ফানবা হোৎনবগী কুম্মৈ অমনি। হায়রিবা মঙাউ থিবা ষণ অসি মশা মউ ফবা অমদি মপাঙ্গল কনখ্রবা ষণ অমনি। ফারুবদি লায়রদুনা চাউরবা মরুম অদুদা ফাদুনা অথিংবা পীবা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। কনাগুম্বা মপাঙ্গল কনবা মীওই খরনা ষণ অদুদা তোংখৎতুনা ফানবা হোৎনৈ। মঙাউ থিবা ষণ অসি পুলিকুলম অমদি কঙ্গয়াম হায়বা ষণগী চাদা-নাউদা ঙাক্তনি।

টামিলশিংনা জল্লিকতু কুম্মৈ অসি পাঙথোরক্লিবা য়াম্না কুইরে। অনৌবা কুম্মৈ নত্তে। মসি যিশু খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী মমাঙ চহী ২০০-৩০০ দগী পাঙথোক্তুনা লাকখি হায়রি। মতম অদুদদি হৌজিক লৈরিবা টামিল নাদু অসি থায়নগী মুল্লাই হায়বা টামিলশিংগী লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্মী। মখোয়গী লৈঙাক মতমদা মথৌনা ফবা অকল অথৌগী পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা জল্লিকতু হায়বা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপা হৌখি। মথৌনা ফবা নুপা অদু নিংথৌনা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। মসিগী খুদম হায়ববু দেল্লিদা লৈরিবা নেসনল ম্যুজিয়মদা জল্লিকতুগী শক্তমশিং নিংথিনা ঙাকশেন্দুনা থল্লি। মসিদসু নত্তনা টামিল নাদুগী মদুরাইদা লৈবা শুরুং অমদা হক্তুনা থল্লম্বা অথৌবা নুপা অমনা ষণ অমা ফাবগী শক্তম অদু ঙসিদগী চহী ২৫০০ গী মমাঙদা লৈরম্বনি হায়রি। জল্লিকতুগী থৌনা ফবা নুপা অদুগী মনা অদু শেন ময়েক্কী পরেং অমা ষণ অদুগী মচি অদুদা য়ানশিন্দুনা থম্মী। মদুবু লৌথোকপা ঙম্বা নুপা অদুদা মনা অদু পী। জল্লিকতু কুম্মৈ অসি করিগুম্বদা খেন্নবা খরা য়াওই। অপীকপা কা অমদগী মঙাউ থিবা ষণ অদু থাদোক্লগা ফানবা হোৎনবা নৎত্রগা থিংনবা হোৎনবা অমা মরুম অদুদা কোল্লগা। মদু মীওই অমমম্না লায়বক চাংয়েং তৌনৈ। মীওই পূম্নমক য়োমশিন্দুনা ফানবদি হোৎনদে। অদুগা অতোপ্পা মফমদা তৌবা জল্লিকতুগী কুম্মৈদনা ষণ অদু মীয়াম মরক্তা থাদোক্তুনা ফানবা নৎত্রগা মরুমদা কোনশিন্দুনা থিংনবা হোৎনৈ। কনাগুম্বা মীওইনা মরুম অদুদা কোনশিন্দুনা ফানবা হোৎনগদবনি। ষণ অদুগী মঙক, মচি অমদি মমৈদা চিংবা, ফাবা তৌরবদি মীওই অদু কুম্মৈ অদুদগী তাম্থোকই। য়ামদ্রবদা ষণ অদু মরুমদা কোন্দুনা সেকেন্দ ৩০ নৎত্রগা ফুট ১৫ শাংনা কোন্দুনা থম্বা ঙমগদবনি। লমথুংফম লাইন অমা থল্লিবদুগী মনাক য়ৌনা নৎত্রগা লাইন অদু লাম্থোকপা ঙম্বা মীওই অদুনা ৱিন্নর ওইগনি। মদুসু ষণ অদুগী মরুম অদুদা কোন্দুনা মখাদা তাদনা লৈগদবনি। করিগুম্বা মীওই অনী অহুম্না মরুম অদুদা কোন্দনা লমথুংফম লাইন অদু লাম্থোক্লবদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা ৱিন্নরনি হায়দুনা লাউথোক্লোই। মীওই অমনা ষণ অদুবু মশাদা অশোক অপন নংবা য়াবা থবক অমত্তা তৌবা য়াদে।

জল্লিকতু কুম্মৈ পাঙথোক্কে হায়বা তারবদি মফমদুগী দি সীদগী অয়াবা লৌগদবনি। কুম্মৈ পাঙথোকফম অদুগী অকোয়বদু মরোল অনী থোক্লা শম্বল কন্না খাগদবনি। মদু নৎত্রবদি ষণ অদুনা নমখায়রক্তুনা কুম্মৈ য়েংলিবা মীওইশিং অদুদা অশোক অপন নংহনবা য়াই। কুম্মৈ অদুদা শরুক য়াগদবা ষণ অমদি মীওইশিং অদুগীসু অয়াবা দি সীদগী মাঙজৌননা হায়বদি নুমিৎ তরামঙানিগী মমাঙদা লৌগদবনি। কুম্মৈ অদুগী অরোয়বা শেম শাবা পূম্নমক লোইরবা মতুংদা ষ্টেট ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দোক্তরশিংনা ষণ অদুদা ময়াই কাবা হীদাক, য়ু অমদি অতৈ ফত্তবা পোৎলম কয়া পীজবরা হায়বদু কুপ্না চাংয়েং তৌদুনা য়েংগনি। অদুগুম্বা অরানবা থবকশিং য়াওরম্লবদি কুম্মৈ অদুদগী তাম্থোক্তুনা য়াওহন্দে।

শা-ষণগী হকক্কীদমক লৈরিবা লূপ কয়ানদি জল্লিকতুগী কুম্মৈ অসি কন্না য়ানিংদে। ষণ অদুদা অশোক অপন কয়া থোকহন্দুনা অৱাবা পী হায়বসিনি। অপীকপা কা অমদগী ষণ অদু থাদোক্লমদাইদা মঙাউ থিবা হেন্নবা কা হেনবা থবক কয়া তৌবি। শম্না হায়রবদা মতোন তুম্বা চৈ নৎত্রগা থাঙগুম্বনা থিন্দুনা খংহল্লি। মসিদসু নত্তে, ষণগী মমৈ অদু খংথেক থেকচিন্দুনা খংদুনা খংচোঙ চোঙহল্লি। মদুনা মরম ওইদুনা ষণ অদু অপীকপা কা অদুদগী খংদুনা মপানদা চোঙথোরক্তুনা মীয়ামদা চোঙশিল্লি। হেন্না অঙাউ অফৈদুনা চেন চোঙনবা ষণ অদুদা য়ু পীথকই। অদুগা অমুক মোরোক মকুপ ষণদুগী মমিৎতা চায়শিল্লি। মমিৎ থুপ্লবা ষণ অদু ঙাউদুনা চেন চোঙই। মদুদা মীয়ামদুনা ফানবা হোৎনৈ। হক্কীদমক লৈরিবা লূপশিংনদি ষণ অদুনা মশা মথন্তা চেন চোঙজবা নত্তে, তৌরিবা কা হেনবা থবক অদুননি হায়। মসিদি শা-ষণগী মথক্তা চথুবা ওৎ নৈবা হায়বদুনি। ঙাউদুনা চেন চোঙদুনা মচি তেকপা, ময়া তেকপা, মখোঙ তেকপা য়াওই। মদুদা জল্লিকতুগী কুম্মৈ শীল্লিবশিংনা হায়রিবদি অঙাউবা ষণ অদু তেনবা ফাবগী কুম্মৈনি হায়বসিনি। অদুবু এনিমেল ৱেলফ্যের বোর্দ ওফ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা হায়বদা জল্লিকতু অসি ষণবু ওৎপা কুম্মৈ অমনি। অতোপ্পা লূপ কয়ানসু কুম্মৈ অসি শাগী হক্কী মায়োক্তা লৈবনি হায়না অকনবা ৱার্নিং পীরি।

হায়রিবা লূপশিং অসিনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপদগী কুম্মৈ অসি তৌবা য়ারোই হায়দুনা থিংজিনখি। টামিল নাদুগী গভর্ণমেন্টনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকহন্নীংবদগী সুপ্রিম কোর্টকী অথিংবা অসিদগী নাম্থোক্লবা ওর্দিনান্স অমা অমুক থোক্তুনা কুম্মৈ অসি হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনখি। অদুবু অমরোমদা জল্লিকতু হায়বা কুম্মৈ অসিগী মরমদা টামিল ফিল্ম তরামাথোই পুথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইদুনা পুথোকখি। অদুম ওইনমক ষণ অমদি মীওইবা অনীগী মরক্তা থায়নদগী লৈরক্লবা অচেৎপা মরী অদু ঙসি করি ওইরক্কদগে হায়বদু য়েংবা তারক্লি।

# পোলিটিক্স পার্টি খায়দোক্লম্বনা মুক্লবা পোকহল্লকই



পাউজেল অমা

মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন

*লমদমসিদা* লৈরিবা পোলিটিসিয়নশিংগী অপাম্বসি লমদমসিগী লৈঙাক পায়বদুরা নৎত্রগা লমদমসিগী লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবদুরা? খনবদা চমম্নবা অমা পোক্লক্লি। লৈঙাক পায়দ্রবদি লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবসি ইয়ামক য়াদ্রবরা? ফীভমসি ওইরবদি, লমদমসিদা লৈরিবা ইলেক্সন লেপ্পিংবা মীওই খুদিংমক, ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট ওইনা লোইনা লেপহল্লসি। ইলেক্সন হেক হায়দোকপগা অকাবা মখৈদু পূন্না মণিপুরগী লৈঙাক শেমহল্লসি। থৌদৌসি চথুরবদি, মণিপুরদা লৈঙাক পায়দবা এম এল এ অমত্তসু লৈররোই। ওপোজিসনগী মথৌসু মখোয় মশেন, অমনা অমগী মথক্তা অফ-ফত্তশিং থাঙ্গৎনদুনা, মরন্নাই পাঙথোক্লজরনি। ফীভমসিদদি, মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টি হায়বা অম’মুক লৈহনবগী মথৌ তাররোই। পোলিটিকেল পার্টিশিং তোঙান তোঙান খায়দোক্লম্বনা, ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপগা, নোং হেক ঙানবদগী অথেংবা অহিং, মীনা তূম্ন-হিপ্পখ্রবা ফাওবদা য়েৎনবা, লাউনবা, উংখৎনবগী থবকশিং খক লোইশিন্দ্রি। ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসন হায়বা অমা লৈবসিনা, মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মনুং চল্লুবসিদা করি হায়রক্কদগে হায়বদু খঙদে। তৌবগীদি পোলিটিকেল পার্টি নাইহন্দবগী থবকসি মণিপুরদদি, হৌজিক-হৌজিকমক মথৌ য়াম্না তারবনি। থৌদৌসিগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ষ্টেট লৈঙাক মশানা হায়জবা খক ঙল্লোই। মরম অসিনা, মণিপুর মীয়ামগী ওইবা অপূনবগী খোঞ্জেলনা ৱাফমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হৌদোকফম থোকই। মণিপুরগী মীয়াম পূম্বনা থৌরাঙসি চৎনজগে হায়দুনা ফৈগাক ফৈনা লেপমিন্নরবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু শোয়দনা য়ারকপা য়াই। য়ারক্লবদি, মণিপুরসি শোয়দনা নমদুনা চাওখৎলক্কনি। শেঞ্জা থুমজা, মীহাৎ-মীপুন, হুরান-চিন্থিগী থবক পূম্নমক মতমগী মতুংইন্না লমদমসিদগী তপ্না-তপ্না মাঙখিনি।

লমদমসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিং তোঙান-তোঙান খায়দোক্লবগী কান্নবসি করিনো? পোলিটিকেল পার্টিশিং তোঙান-তোঙান খায়বনা ঐখোয়দা করি তোংজহল্লবগে? শুপ্নগী, ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী মখা পোন্না পাঙথোকপা থৌদৌ অমনি, সি-খক্তনি। চুম্মী, ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী মতুং ইন্না মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুং চল্লুবনিনা, পোলিটিকেল পার্টিশিং খায়দোক্তুনা, হেন্না ফগদবা পার্টিদা লৈবাক-মীয়াম্না লৈঙাক শিন্নবগী থৌদৌ চথুরি। অদুম ওইনমক, ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা, থৌদৌসিগী কান্নবা ময়েক শেংনা উবা ফংলবরা? মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমগা-অমগা ইমান-ইমান মান্নে। পোলিটিসিয়নশিংগী মচৎশিংসু অমগা-অমগা খেন্নবা থোয়না লৈতে। মখোয় মশেল পার্টি অমদগী অমদা, মশাগী পোফমশিং য়েংদুনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা মশকশিং ঙাক্লা চৎনবগে? অনৌবা য়ু লীক্লিদা অরিবা য়ু হাঞ্জিনবনি, অরিবা য়ুনা অনৌবা লীক্লিগী মনুংদা মশাগী মতিং খক হোংদবদুগা চপ-মান্নে। শুম্মাঙ কুম্মৈগী আর্টিসশিংনা কুম্মৈ-কুম্মৈদুগী মখা পোন্না ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী, তোঙান-তোঙানবা কেরেক্টরশিং মান্নবা শাবদুগা অম্মানি। পোলিটিসিয়নশিংনা পার্টি-পার্টি, অমগা-অমগা লাউনরিবা, হুন্নরিবা পূম্নমকসি মখোয় মশেল মান্নরগা মীয়াম মাঙদা মান্নবা তাৎ তৌবগুম্বনি। মসিবুনি পোলিটিক্স এ দর্টি গেম হায়নরিবসি। পোলিটিসিয়নশিংনা মখোয় মশেল অমগা-অমগা, ফি শেম্নদেদা খাকপা মখৈ, মমায়-মমিৎ ঙাংশঙ-ঙাঙনা চীন-কাঙজৈদা লাউনরম্লগা, নোংমা-নিনীগী মতুংদদি মখোয় মশেল পার্টি অমখক্তদা পূনশিনমিন্নরে হায়দুনা হরাউ-হরাউ, লেঙ্গোন্নদুনা হেক্তা চৎমিন্নরম্মী। থৌদৌসিদবু লমদমসিদা পার্টিগী আইদিওলোজি হায়বদু লৈরিবরা? ফীভমসিমক তঙাইফদবা পোলিটিক্সকী মচৎশিং ওইরম্বদি য়াই। অদুবু, মীয়াম্নদি পল্লেপফম খঙদবা থৌদৌশিংসিবু উরগা হঙ্গোয়বা পোক্লে। মসিমক্কনি লমদমসিদা পোলিটিক্সকীদমক পার্টি অমুক হন্না খায়হল্লগুমসি হায়রিবসি। মীয়াম্না পোলিটিক্সপু খিনরে, হঙ্গোয়বা পোক্লরে। মরম অসিনা ঐখোয় লমদমসিদা পোলিটিক্সকী মরী লৈনবা থৌদৌশিং য়ারিবমখৈ পীকশিন-তেনশিনহন্নবা হোৎনমিন্নসি। লৈবাকসি পোলিটিকেল পার্টিশিং খায়নদ্রবদি তঙ্খায় অমরোম হেন্না শোয়দনমক্কী ইংথরক্কনি। মথক্তা পনখ্রিবা থৌদৌসি চথুরবদি, ভোটর পূম্নমক খরদা ওইরসু ইংনা-তপ্না, ৱাখল খন্থদুনা অচুম্বনা কদায়নো, মতিক চাবনা কনানো হায়বসি খঙদোক্লগা ভোট চুম্না পীবগী চৎনবীসু হৈরক্কনি। ফীভমসি ওইরবদি, মণিপুরসু শুংশোয়-শোয়দনা চাওখৎলক্কনি। শেঞ্জা-থুমজা, অমোৎপগী থবকশিংদসু চাংদম্লিংঙাই লৈতনা হান্নদগী শোয়দনমক্কী ফগৎলক্কনি।

ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্না পল্লিবা মখৈ মণিপুরদা চৎনদবা য়াদে, ইনগদবনি হায়বসি চুম্ব্রা? থৈদোক-থৈজিন, ইম্থোক-ইনশিন হায়বসি লৈনগদবা নৎত্রা? লৈনদ্রগনা লৈননবা হোৎনবা তাই। মণিপুর হায়বা ষ্টেটসি য়াম্না পীকপা ষ্টেটনি। দোলা-দোলি নাইনদনা মীয়াম্না য়াবা মীহুৎ মখৈনা পূন্না, ইরমদম মণিপুরগী লৈঙাকচগে হায়বসিবু করি কায়গে? কায়রমগনি থাজদে। পার্টি খায়রগা পীকখ্রবা লমদমসিদা অফবা মী মশীং য়াম্না মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইনা য়াওবা ফংদে। হৌজিক পার্টি নাইনরিঙৈ মতমসিদা, পার্টিশিংগী মনুংদগী, কোংগ্রেসনা লৈঙাক শেম্লে হায়রবসু বি জে পিদা অফবা, মতিক চাবা এম এল এ খরদি শোয়দনমক্কী লেমহৌগনি। মখোয়দু লৈঙাক্কী থৌ পুদুনা, লৈবাক শেম্বা য়াওরোইদৌরবনি। অরেম্বদা কাঞ্জ থাঙ ওইনা লৈহৌগদৌরিবনি। অদুগা অমুকসু, বি জে পিনা করিগুম্বদা লৈঙাক শেম্বা তারবা, কোংগ্রেসকী মায়কৈদগীসু শোয়দনমক্কী অফবা অমসুং অচঙবা কেন্দিদেটশিং, লৈবাক্কী চাওখৎ-থৌরাং হকথেংননা য়েংশিনবগী খুদোংচাবশিং ফংদনা, পয়া তৎখ্রবা শম্বলগী উয়ুংশিংগুম য়ুংদুনা লৈহৌগদৌরিবনি। অদুগা মহৌশানা মণিপুরদা, পার্টি খুদিংমক্কী অয়াম্বা এম এল এশিংনা মীয়াম্না য়াবা, মতিক চানা পাম্নবা এম এল এশিং হায়দুদি খক ওইরক্তে। মরম অসিনা, লমদমসিগী মীহুৎ পূম্নমক্লা শুনা, পুনশিন্নরগা শেম্মীন্নবা লৈঙাক হায়বসিনা, লমদমসিগী খ্বাইদগী হেন্না মতিক চাবা লৈঙাক হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইগনি। ফীভমশিংসিনা মরম ওইরগনি, মণিপুরদা অমুক হন্না তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং খায়দোকহল্লগুমসি হায়রিবসি। হীরমসিদা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিংনা অচেৎপা ফিরেপশিং লৌমিন্নবা চুমগনি। মীয়াম্না য়াবা মীহুৎশিংনা পূনশিল্লগা শেম্বা, অপূনবগী লৈঙাক, অপূনবগী পাঙ্গল অদুবুনি ঙসিগী মণিপুরসিনা হৌজিক-হৌজিকমক মথৌ তারিবসি। মসিনা খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা, পোলিটিকেল পার্টিশিং খায়দোক্লবনা ফংলিবা কান্নবসি করিনো হায়বদু খরদং এক্সপ্লেন তৌ হায়বদা ঐখোয় খুম্ফম খঙলোই। ঙমদে, তশেংনসু খঙদে, হান্নগী থৌদৌসিনা কান্নরিবসি কৈদনো হায়বসি।

লৈবাক ঙাক্লোন নৈনবদা অমদি লৈবাক্কী লৈঙাক মুন্নবদা, পার্টি-পার্টি নাইনবগী কান্নদবা হীরম কয়ামুক্তি লৈবাক-মীয়াম্না শোয়দনমক্কী খঙলম্লগনি। খুদম ওইনা, বি জে পি পার্টিনা বি জে পি পার্টিগীদমক খল্লগা ঙাঙই। কোংগ্রেস পার্টিনসু কোংগ্রেস পার্টিখক্তগী য়েংলগা অয়াম্বা থবকশিং তৌই। মশা-মশাগী তোংজনবগীদমক ৱাখল থাদরগা লমদমসিগী পার্টি খুদিংমক্লা থবকশিং তৌনৈ। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী অয়াম্বা পোলিটিসিয়নশিংনা মশা-মশাগী পার্টিশিংগী আইদিওলোজিশিং ঙাক্লা খক চৎনদে। অয়াম্বনা মশা-মশাগী ইলেক্সন মায় পাক্লবগীদমক অমদি পার্টিদগী ফংবা য়াবা খদোংচাবশিং ফংনবগীদমক, মিকাননা পার্টি য়াওবগী থৌদৌশিং মীয়াম্না উনরি। করিগুম্বদা মখোয়না মশানা হান্না য়াওরম্বা পার্টিশিংদুদা টিকেট ফংলোইদবগী মমিশিং উরক্লবদি নৎত্রগা ফংলক্তবা থোক্লবদি মিকুপ্তুদা মখোয় মশানা য়ানা পার্টিদুবু থাদোক্তুনা হেক্তা চৎলি। হীরমশিংসিগী খুদম-চাংদমশিং ওইবা য়াবা থবক-থৌরমশিং, হন্দক্তসু ইলেক্সন ময়া নকশিল্লক্লবা মতমসিদা মশা-মশানা হান্না ফৈ খন্দুনা টিকেট তান্নরম্বা পার্টিশিংবু লংথোক্লম্লগা অতোপ্পা পার্টিশিংদা চোঙশিনখিবগী থৌদৌশিংসি মশীং থিঙমদ্রিবসিনি। মসিদবু মণিপুরদা অমদি মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংদা, পার্টিগী ভেল্যু হায়বা অম’মুক লৈনরিব্রা? মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিং অয়াম্বনা পার্টিগী ইকায়খুম্নবদগী মশাগী পোফম্না হেন্না লূম্না অমসুং লুনা চৎনবা ঙাক্তনি। ৱাখল্লোনশিংসিনসু মণিপুরদা, লৈবাক্কী লৈঙাকপশিং ওইগনি অমসুং মীয়াম্বু লুচিংগনি হায়দুনা মশীং খঙদনা চোঙথোক্লরক্লি, অঙকপনি।